সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, FEBRUARY 01, 2018 **PAGE 7**

মালেমগী টেন্নিস শান্নবা লৈবাকশিংগী টিম কম্পিটিসন ওইরিবা দেবিস কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা লাক্কদৌরিবা চয়োল অসিদা ইটালিগা ক্ৱার্টর ফাইনেল য়ৌনবা জপানগী টিমদা শোকপদগী শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরিবা মকোক থোংবা কৈ নিসিকোরি

মমাঙদা জর্মনিগী বুন্দেসলীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মমিং লৈরবা ক্লব অমা ওইরিবা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী শান্নরোই অমা ওইরম্লদগী চৎলিবা সিজন অসিদা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মকোক থোংবা টিম আর্সনেলনা য়ুএস দোলর মিলিয়ন ৭৯.২ দা শান্নরগদবা পিয়েরি ইমেরিক ওবামেয়াং

ইন্দিয়ান ওপন ইন্টরনেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা এমসি মেরি কোম, সরিতা দেবী অমসুং সোনিয়া লাথর ফাইনেল চঙখ্রে, সর্জুবালা সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌরে

ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৩১ঃ

য়ুএস দোলর ১০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দিয়া ওপন ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট ২০১৮ কী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা য়ুম্বু লৈবাক ইন্দিয়াগী মমাঙদা নুপীগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫ রক ওইবা ঙমখ্রবী অমদি ওলিম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেডলসু ফংবা ঙমখ্রবী এমসি মোরি কোম মায় পাক্কুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর লাইশ্রম সরিতা মহাক্কী সেমি ফাইনেল লম্বা মায়থিবা পীদুনা কেজি ৬০গী কাঙলুপ্তা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। কেজি ৫৭ কী কাঙলুপ্তা সোনিয়া লাথরনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর সচি চোপ্রাবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। কেজি ৫১ গী নুপীগী সেমি ফাইনেল বাউটতা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেডল ফংবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী সর্জুবালা দেবী মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর ওচিরবাটকী মখূত্তা মায়থিদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।

ইন্দিয়াগী এমসি মেরি কোম অমসুং মোঙ্গোলিয়াগী অলটানসেটসেগ লুটসাইখানগা থিন্নখিবা বাউটকী মতাং

নুপীগী বোক্সিংগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা টাইটল ৫রক ফংবা ঙমখ্রবী লোয়ননা কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী বোক্সিংগী অহানবা মেডল ইভেন্ট ওইনা পাঙথোকখিবা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রবী হৌজিক-হৌজিক্লা ইন্দিয়াগী রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরিবী ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সিংগী আইকোন ওইরিবী মণিপুরদগী হৌখিবী এম সি মেরি কোম্না ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া ওপন ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলদা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর অলটানসেটসেগ লুটসাইখানগা লম্বা তৌনবদা মায় পাকপা ঙমদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌদুনা য়ামদ্রবদা সিলভর মেডল অমদি ফংলগনি।

কেজি ৪৮ গী নুপীগী বোক্সিং কেটেগোরি অদুদা টুর্নামেন্ট অদুদা ১২শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী এমসি মেরি কোম্না মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর অলটানসেটসেগ লুটসাইখানগা লম্বা তৌনবদা অহানবা রাউন্দ অনীদা খুদোংচাবা হেন্না ফংদুনা পোইন্ট মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মণিপুরদগী হৌখিবী ইন্দিয়াগী অমদি মালেমগী নুপীগী বোক্সরশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবী এমমসি মেরি কোম্না অরোইবা অমদি অহুমশুবা রাউন্দ অদুগী মিনট ৩ গী লম্বাদা পাঙ্গল শোত্থরবসু মমাঙগী রাউন্দ অনীদা মহাক্না হেনখিবা পোইন্টশিং অদুনা মতেং ওইরগা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর অলটানসেটসেগ লুটসাইখানবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌখিবনি।

মেরি কোম্না ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর মোনিকাবু মায়থিবা পীরম্বী ফিলিপিন্সকী বোক্সর জোসি গাবুকোগা গোল্ড মেডলগীদমক লম্বা তৌনরগনি।

প্রোফেসনেল বোক্সিং বাউট খরা শান্নবা ঙম্লুরবী টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাঙলুপ্তা কেজি ৬০ গী ওইনা মকোক থোংবা বোক্সর ওইরিবী মণিপুরদগী হৌখিবী লাইশ্রম সরিতা দেবীনা ঙসি পাঙথোকখিবা বাউট অদুগী সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর প্রিয়াঙ্কাবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলদা ফিনলেন্দগী ওলিম্পিক্স অমসুং ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রবী মিরা পোটকোনেনগা থেংনরগনি।

ইন্দিয়া ওপন ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কেজি ৫৭কী কাঙলুপ্তা মকোক থোংবা সিদেদ অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবী ইন্দিয়াগী সচি চোপ্রাবু সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া লাথরনা মায়থিবা পীদুনা লাথর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সচি চোপ্রাবু মায়থিবা পীরম্লবা মতুং সোনিয়া লাথরনা নুপীগী কেজি ৫৭কী কাঙলুপকী ফাইনেল মেটচতা ফিলিপিন্সকী বোক্সর নেষ্টি পেটেসিওগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী কেজি ৫১ গী কাঙলুপ্তা মমাঙদা ৱার্ল্ড বোক্সিংদা সিভলর মেডল ফংবা ঙমখ্রবী মণিপুরদগী হৌখিবা সর্জুবালা দেবী সেমি ফাইনেলদা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর জারগলান ওকিরবাটকী মখূত্তা মায়থিবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংলগনি। নুপীগী কেজি ৬৪ গী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী চেম্পিয়ন টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী সিমরনজিট কোরসু মহাক্কী সেমি ফাইনেল বাউটতা থাইলেন্দগী বোক্সর সুদাপোর্ন সিসোন্দিগী মখূত্তা মায়থিদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।

ইন্দিয়া ওপন ইন্টরনেসনেল বোক্সিংগী নুপাগী কাঙলুপ্তা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী মেডল ফংবা ঙমখ্রবা সিব থাপ্পা কেজি ৬০ গী লম্বাদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর মনিস কোসিকনা মায়থিবা পীদুনা থাপ্পাগী গোল্ড মেডল ফংবগী ৱাখল্লোন লোইশিনখি। অদুগা থাপ্পাবু মায়থিবা পীরম্বা মনিস কোসিকনা গোল্ড মেডল ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা লৌবা ঙমখি।

খেলো ইন্দিয়া গেমসকী অহৌবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা তামিল নাদুনা পুন্না মেডল ৫ ফংদুনা মাঙজিল থাদুনা চৎলি

ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৩১ঃ

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা খনগৎলবা স্কুলগী শান্নরোইশিংগী ওইবা লম্বাগী কম্পিটিসন অমা ওইরিবা খেলো ইন্দিয়া গেমস ২০১৮ কী ঙসি ন্যু দিল্লিদা অহৌবা নুমিৎকী কম্পিটিসনদা তামিল নাদুগী টিম্না মেডল ৫ ফংদুনা মাঙজিল থারি।

ঙসি ন্যু দিল্লিদা হৌদোকখিবা খেলো ইন্দিয়া গেমসকী নুপামচাগী চহী ১৭ মখাগী ত্রিপল জম্প ইভেন্টতা তামিল নাদুগী এঠলিট সি প্রবিননা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা উত্তর প্রদেশকী সচিন গুজরনা সিলভর মেডল ফংলগা কেরলাগী একাস এম বর্গিসনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখিবনি।

খেলো ইন্দিয়া গেমস হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাথোর (ময়ায়)

নুপীমচাগী মিটর ১৫০০গী লমজেলগী কম্পিটিসনদা কেরলাগী সান্থিনি সিনা গোল্ড মেডল ফংখি। অদুগা মহারাষ্ট্রগী এঠলিট অনী প্রগতি মুলানে অমসুং পলভি জগদলেনা মথংশিংনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

খেলো ইন্দিয়া গেমস অসি চয়োল অমা চুপ্পা চহী ১৭ মখাগী ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা স্কুলগী শান্নরোইশিংনা শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনরিবা শান্নবগী কুম্মৈ অমা ওইরি।

ইন্দিয়াগী লৈঙাক্না নহা ওইরিবা শান্নবগী লমদা পূক্নিং চঙবা স্কুলগী মহৈরোইশিংনা তুংদা অফবা শান্নরোই অমা ওইবা য়াবগী অচৌবা লম্বেল অমা পীদুনা খেলো ইন্দিয়া গেমস অসি পায়খৎলকপনি।

পুন্না গোল্ড মেডল ১৯৯, সিলভর ১৯৯ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ২৭৫ লৈরিবা অহানবা খেলো ইন্দিয়া গেমস অসিগী ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা মেডল রাউন্দশিংদা তামিল নাদুগী টিম্না গোল্ড অমসুং সিলভর মেডল ২।২, অদুগা ব্রোঞ্জ ১ য়াওরগা পুন্না মেডল ৫ ফংদুনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী মাঙজিল থাবা ঙম্লি। কেরলা অমসুং উত্তর প্রদেশকী টিম্না গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল অমমম ফংলগা পুন্না মেডল ৩ ফংমিন্নদুনা অনীশুবদা লৈরি।

ইন্দিয়াগী লোকেল ক্রিকেট মেটচ অমদা নাবি মুম্বাইগী তানিক্স গবাটেনা রন ১০৪৫ লৌবা ঙমখ্রে

মুম্বাই, জনুৱারী ৩১ঃ

মহারাষ্ট্রগী নাবি মুম্বাইদা লৈবা কোপারখায়রনেগী যসৱন্টরাও চৱান ইংলিস মেডিয়ম স্কুলগী শান্নবুংদা শান্নখিবা ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অমগী সেমি ফাইনেলদা নাবি মুম্বাইগী তানিক্স গবাটেনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা বেট্টিং তৌবদা রন ১০৪৫ লৌবা ঙমখিবনি হায়না মহাক্কী কোচ ওইরিবা মনিসনা ফোঙদোরকখি।

রন ১০৪৫ লৌবা ঙমখিবা নাবি মুম্বাইগী শান্নরোই তানিক্স গবাটে

তানিক্স গবাটেনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুদা ফোর ১৪৯ অমসুং সিক্স ৬৭ য়ৈখি হায়না ফোঙদোরক্লি। কোচ মনিসনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা গবাটেনা রন ১০৪৫ লৌখিবা গ্রাউন্দ অদু লেগ সাইদতা য়ার্ড ৬০-৬৫ ফাওবা লৈখি। অদুগা ওফ সাইদতা বাউন্দরি অদু য়ার্ড ৫০ লৈ হায়না ফোঙদোরকখি।

নাকল অমরোমদা মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকপদা চহী ১৪ মখাগী নাবি মুম্বাই সিল্ড ক্রিকেট টুর্নামেন্ট হায়না মিংথোল্লগা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা মশাগী চহী ১৪ শুবদা ঙাইরিবা তানিক্স গবাটেনা আউট ওইদনা রন ১০৪৫ লৌখিবা ইন্নিংস অদু মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না রিকগনাইজ তৌদবা টুর্নামেন্ট অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ফোর ১৪৯ অমসুং সিক্স ৬৭ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১০৪৫ লৌবা ঙমখিবা তনিস গবাটেকী কোচ মনিসনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুদা ক্রিকেট মশান্নগী ওফিসিয়েল ওইবা বোল শান্নখি। অমসুং টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা বোলরশিংনা ওভরআর্ম লংদুনা ক্রিকেট মশান্নগী চৎন-পথাপকী চপ চাবা কাঙলোন অদু ইনখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

কোপা ইটালিগী ১বা লেগকী সেমি ফাইনেলদা জুবেন্টসনা অটলান্টাবু মায়থিবা পীখ্রে

বরগামো, জনুৱারী ৩১ঃ

ইটালিদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা কোপা ইটালি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা লেগকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা জুবেন্টসনা অটলান্টাবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

জুবেন্টস অমসুং অটলান্টানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী মায়কৈদা শরুক য়ারিবা গোঞ্জালো হিগুয়াননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অটলান্টাবু ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী জুবেন্টসনা ১-০ দা হেল্লগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা অদুদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী অহানবা লেগকী সেমি ফাইনেল মেটচ অদু জুবেন্টসনা অটলান্টাবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন কপ্তা ইন্দিয়াগী বেঙ্গালুরু এফসিনা ভুটানগী ট্রান্সপোর্ট য়ুনাইটেদপু ৩-০ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

বেঙ্গালুরু, জনুৱারী ৩১ঃ

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন কপকী প্রিলিমিনারি ষ্টেজগী অহানবা রাউন্দগী অনীশুবা লেগতা ইন্দিয়াগী বেঙ্গালুরু এফসিনা ভুটানগী ট্রান্সপোর্ট য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা কুমজা ২০১৮ গী এএফসি কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

ভুটানগী ট্রান্সপোর্ট য়ুনাইটেদগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং ইন্দিয়াগী বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা

বেঙ্গালুরু এফসিগী টিম অদুনা য়ুম্বু ওইরগা ঙরাং অথেংবদা সিরি কান্টি রাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা এএফসি কপ ক্বালিফায়িংগী প্রিলিমিনারি ষ্টেজগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অদুদা য়ুম্বু টিম অদুনা ভুটানগী ট্রান্সপোর্ট য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখিবনি।

পনবা থা অসিগী ২৩ দা ভুটানগী ট্রান্সপোর্ট য়ুনাইটেদনা য়ুম্বু ওইরগা শান্নখিবা ২০১৮ এসিয়ান ফুটবোল কপ ক্বালিফায়িংগী প্রিলিমিনারি ষ্টেজগী অহানবা লেগতা বেঙ্গালুরু এফসিগা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবনি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মায় পাকপা টিম অদুনা শুংশোয় শোয়দনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবগী খুদোংচাবা অদু লৈবা মরম্না টিম অনীমক মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখি।

য়ুম্বু ওইখিবা বেঙ্গালুরু এফসিগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোই বোইথাং হাউকিপনা পাঞ্জল চন্দুনা ভুটানগী ট্রান্সপোর্ট য়ুনাইটেদপু ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহানবা হাল্ফকী লোইশিল্লকপদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিবদগী বেঙ্গালুরু এফসিদা শরুক য়ারিবা মীজোরাম মচা দেনিয়েল লালিমপুয়ানা ৫৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা ২-০ দা মখোয়না ভুটানগী টিম অদুবু মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোই মণিপুর মচা থোংখোসিয়েম হাউকিপনা পাঞ্জল অমা চনশিল্লগা ভুটানগী ট্রান্সপোর্ট য়ুনাইটেদপু ৩-০ দা হেন্দুনা চৎখিবা অদুনা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মায় পাক্কুনা প্রিলিমিনারি ষ্টেজ অসিগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা পাঙথোক্লিবা এএফসি চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্লে ওফ মেটচ অমদা ইরাননা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী ক্লব জোব অহান এফসিনা ইন্দিয়াগী মমাঙ চহীগী আই লীগ চেম্পিয়ন আইজোল এফসিবু পাঞ্জল ৩-১ দা ঙরাং মায়থিবা পীখি।

ইরানগী কোনুং সিটি ফুলাদসরদা লৈবা ফুলাদ সর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা এএফসি চেম্পিয়ন্স লীগ প্লে ওফকী ৱেষ্ট জোনগী মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা জোব অহাননা ইন্দিয়াগী টিম আইজোল এফসিবু ৩-১ দা থোইখি।

অহানবা পাঞ্জল অদু জোব অহানগী শান্নরোই রাজাবজাদেনা অহুমশুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা চনখি। ইক্বেলাইজর অদু আইজোলগী এন্দ্রি লোনেস্কুনা ২১শুবা মিনটতা চনখি। মদুগী মতুং অনীশুবা হাল্ফকী লোইরমদাই ৮৩শুবা মিনটতা জোব অহান এফসিগী মোর্টি টাব্রিজিনা পাঞ্জল অমা চনখ্রবা মতুং মেটচ অদুগী এক্সত্রা টাইমগী ৩শুবা মিনটতা মহাক মশামক্না পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা আইজোল এফসিবু ৩-১ দা থোইখি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মেটচশিংদা লিভরপুল অমসুং স্বান্সে সিটি মায় পাকখ্রে

লন্দন, জনুৱারী ৩১ঃ

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা লিভরপুলনা হদর্সফিল্ড টাউনবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে অদুগা স্বান্সে সিটিনা আর্সনেলবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

লিভরপুল অমসুং হদর্সফিল্ড টাউননা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু লিভরপুলগী মায়কৈদগী ২৬শুবা মিনটতা ইমরে কেনা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা হাল্ফকী ৪৫শুবা মিনটতা লিভরপুলগী শান্নরোই রোবার্টো ফিরমিনোনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা হদর্সফিল্ড টাউনবু অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ অদু শান্নরকপা ৭৮শুবা মিনটতা লিভরপুলগী শান্নরোই মোহমদ সালানা টিম অদুনা ফংখিবা পেনাল্টি অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা হদর্সফিল্ড টাউনবু মখোয়না পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা স্বান্সে সিটিনা আর্সনেলবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি। মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু আর্সনেলগী শান্নরোই নাচো মোনরিয়েলনা ৩৩শুবা মিনটতা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। অদুবু শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা স্বান্সে সিটিগী শান্নরোই সাম ক্লুকাসনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমদুনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ অদুগী শান্নবা হৌরকপা ৬১শুবা মিনটতা স্বান্সে সিটিগী জোর্দান অয়ুনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং শান্নবগী ৮৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা সাম ক্লুকাসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু স্বান্সে সিটিনা আর্সনেলবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধু ইন্দিয়ান ওপন সুপর ৫০০ বেদমিন্টন টুর্নামেনটকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ৩১ঃ

য়ুএস দোলর ৩৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দিয়া ওপন সুপর ৫০০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্কুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবা শান্নরোই সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দোনেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ইন্দিয়া ওপন সুপর ৫০০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা দেনমার্ককী শান্নরোই সোফি হোল্মবো দাহলবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১-১৫, ২১-৯ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধু

সাইনা নেহৱালনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা দেনমার্কস্কী অতোপ্পা শান্নরোই লাইন হোজমার্কস্কা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়া ওপন সুপর ৫০০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রিও ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা দেনমার্ককী শান্নরোই নটালিয়া কোচ রোদেবু য়াম্না কোম্না ২১-১০, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ভাইদেহি চৌধুরি অমসুং বলগেরিয়াগী লিন্দা জেটচিরি অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনগরগনি।

ইন্দিয়া ওপন সুপর ৫০০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা নুপাগী বেদমিন্টন শান্নরোই এইচ এস প্রনোইবু অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই শ্রেয়ান্স জাইসৱালনা য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-৪, ২১-৬ তা থোইদুনা শ্রেয়াস টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী রুথভিকা সিবানি অমসুং অকার্সি কাশ্যপ মায় পাকখি।